হুইয়েন লানপাও
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

উরিপোক এ সীদগী বি জে পিগী মীরেপ ওইনবা থৌরাংলিবী লৌরেম্বম লোতিকাগী ইলেক্সন কেম্পেয়ন হৌদোক্লদুনা ৱাল পোষ্টর কেম্পেয়ন চত্থবগী শক্তম



উখুলদা নৌনা শাখিবা ওফিস বিল্ডিং কয়া চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গানবা চৎপদা এটেক তৌরকখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙ-দোক্নুনা থৌবালদা ৱাকৎ মীফম ফম্বা



পাৎসোই এ সীগী মনুং চনবা রামজি খুলদা লৈবা রামজি য়ুথ ক্লবকী নৌনা শাবা বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা মিনিষ্টর একে মিরাবাইনা মৈরা চুখৎপগী শক্তম



কোওর্দিনেটিং বোদি ওন সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা শীন্দুনা বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্ককী মমাঙদা চত্থরিবা সেগনেচর কেম্পেয়নদা মীয়াম্না খুৎয়েক পীবগী শক্তম



Vol. 40, Issue No.207 | শগোলশেন, মেরা ২৭নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, October 27, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

### অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৫.৬৪ °c | ১৯.৬০°c |
| চান্দেল | ২৬.০১ °c | ২৪.৩৩°c |
| সীসীপুর | ২৬.১০ °c | ১৮.৪৬°c |
| ইম্ফাল | ২৬.১৩ °c | ১৯.৫৭°c |
| সেনাপতি | ২৩.৩৩ °c | ১৮.৭৬°c |
| তমেংলোং | ২৮.৫০ °c | ১৭.৯৮°c |
| থৌবাল | ২১.৮৮ °c | ১৭.৯৬°c |
| উখুল | ১৯.৩৪ °c | ১৪.৫৬°c |
| মণিপুর | ২৮.৫০ °c | ১৪.৫৬°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৭৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## লুপা লাখ ৩০ রোমগী সনা ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ : ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী নুপাগী ৱাশরুমদগী মীওই অনীদগী লুপা লাখ ৩০.৩৭ রোমগী ওইগদবা সনাগী বিস্কিট তরুক ফারে হায়না কষ্টম দিভিজন ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার গাইখোলুং পানমৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কষ্টম হেদক্বার্টরস প্রিভেন্টিব এন ঈ আর শিলোংদগী অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী কষ্টম দিভিজন ইম্ফালগী ওফিসারশিংনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা গ্রাম ৯৯৮.৫ রোমগী সনাগী বিস্কিট তরুক মীওই অনীদগী থা অসিগী ২৪গী নুংথিল পুং ৫ রোম তাবদা ফাখি। ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী নুপাগী ৱাশরুমদগী সনাগী বিস্কিট তরুক অদু মীওই অনীদগী ফাখিবনি। ফারবা মীওই অনী অদু মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবগীদমক জুদিসল কষ্টদিদা থাখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## আই-এম ১ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬ : ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি (ওপস) টিঐচ বিক্রমজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কমান্দোগী ও সী ইন্সপেক্তর থাইঙমপৌনা লুচিংবা কমান্দোগী টিম অমনা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদর অমা চিংঙা মথক এরিয়াদা ঙসি নুমিদাং পুং ৫.৩০ রোম তাবদা ফারে হায়রি। ফারবা কাদর অদুগী মমীংনা ফনিংখুই কপাই (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা সঙ্কেকান ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি
গ্যাস এজেন্সীশিংনা গ্যাস য়েনবগী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।

## HL POLL

Q : Famung 50 leiba Ukhrul District Hospital mapung fana loiramdrabadi CM fam thadokkani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Micham sokkani haiduna nongmei kapkhidabani haiba Chief Minister gi wafam yaningbra?

Yes 33% No 67%

## অস! লোইরেহে!

ইতাও, আই এন দি প্লেটসিবু সিক্যুরিটি প্লেটনি হায়রবদি...!



ভী দি এফসু এন এস জিনি হায় য়াই!

# বন্দ, ব্লোকেদনা মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বদা অপনবা পীরি : গভর্নর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ তোয়না তৌবনা মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বদা অপনবা কয়া পীরি। ঐখোয় খূদিংমক্না মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বদা অপনবা থোকহন্দনবা হোৎনসি হায়না মণিপুরগী গভর্নর ডো. নজমা এ হেপ্তুল্লানা ফোঙদোকখ্রে।



তম্ফাসনা গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা ঙসি স্কুল অসিগী কেম্পস্তা পাঙথোকখিবা ফ্রেসরস কম লিটরেরী এন্দ কলচরেল মিট, ২০১৬কী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী গভর্নর ডো. নজমা হেপ্তুল্লানা হায়খি, মণিপুর তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা পুল্লগা লৈবা লমদমনি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা ফুরুপ কয়াগী মীওইশিংনা খুন্দামিন্নদুনা লাক্লি। ঐখোয় পুন্নমক্না অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা ষ্টেট অসিগী য়াইফনবগীদমক অমদি লৈবাক অসিগী য়াইফনবগীদমক হোৎনবা তাই। ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি লৈবা তাই।

মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা এদ্যুকেসন্না অহানবা প্রাইওরিটি ওইগদবনি। মহৈ-মশিনগী লমদা নীংথিনা হোৎনদুনা মায় পাকপা মীওই ওইনবা চঙশিনবা তাই। ষ্টেট অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইকশিংনা মরম ওইরদুনা মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিন তম্বদা অপনবা কয়া পীরি। মসি য়াম্না নীংথিনা মীৎয়েং চঙবা তাই। মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক সেসন্দা অপনবা লৈতনা মহৈ-মশিন তম্বা ফংনবগীদমক ঐখোয় পুন্নমক্না মীৎয়েং চঙবা তঙাইফদে। হীরম অমত্তদা এদ্যুকেসনগী লমদা অপনবা পীবিগনু।

ষ্টেট অসিগী নহা ওইরিবা নুপা অমদি নুপীমচাশিং অসি শান্ন-খোৎনববু নুংশিজবা অমদি কলচরেল এক্টিভিটিজদা হৈথোই-শীংথোইবা ঙাক্তনি। শান্ন-খোৎনবা অমদি কলচরগী লমদা থোইদোক-হেন্দোক্না হৈথোই-শীংথোইবা কয়া লৈরি। স্পোর্টসকী লমদা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয় কয়ানা মালেমগী থাক্তা অমদি নেসনলগী থাক্তা শীংথানিংঙাই ওইরবা মনা কয়া লৌদুনা লাক্লি। লৈঙাক্কী মীৎয়েং অমদি ষ্টেটসিগী মীয়াম্না শৌগৎপীবা কয়া অসিনা ষ্টেট অসিগী নহা ওইরিবা নুপামচা অমদি নুপীমচা কয়ানা থোইদোক-হেন্দোকপা মনা কয়া পুরকখিগনি।

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মহৈরোয়শিংনা এন্যুএল ফ্রেসরস কম লিটরেরী অমদি কলচরেল মিট পাঙথোক্লি। মসিনা হান্না লৈরম্বা মহৈরোয়শিং অমদি নৌনা চঙলকপা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা নুংশিনবা অমদি অফবা মরী লৈনবা হেনগৎহল্লি।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টরনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ওক্রম লন্দোনীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংনা নাৎকী ওইবা জগোই-ঈশৈ কয়াসু উৎখি।

### দ্রগকী মায়োক্তা মোটোর সাইকল রেল্লি চৎখ্রে

# লৈঙাক্না দ্রগ লল্লোনবা থিংনবা করি থৌরাং লৌখৎলিবগে : জয়কিষণ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস):

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মণিপুর প্রদেশকী মীৎয়েং মখাদা ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা (বি জে ৱাই এম) মণিপুরনা শীন্দুনা লমদমসিগী নহাশিং কনসি অমদি দ্রগ স্মগ্লরশিং মুত্থৎসি হায়বা পান্দম থমদুনা ময়ায় কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা ঙসি মোটোর সাইকল রেল্লি চৎখ্রে।



থৌবালগী চাউয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুল মনাক্কী লম্পাক্তগী মোটোর সাইকল রেল্লি অদু ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দ, এম এল এ খুমুকচম জয়কিষণ, এম এল এ য়ুমখাম ইরাবত অমদি বি জে ৱাই এমগী প্রসিদেন্ট সোমোর্জিৎনা লমথারকখি। মশীং য়াম্লবা মোটোর সাইকল থৌবা নহা কয়ানা শরুক য়ারগা চৎখিবা রেল্লি অদু থৌবালদগী ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা লাক্লগা শিংজমৈ য়ৌরক্লবা মতুংদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফাওদুনা লাঙ্গোল তরুং মনাক্তা লোইশিনখি।

মোটোর সাইকল রেল্লি অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা এম এল এ জয়কিষণনা হায়খি, ময়ায় কাবা চীঙ্গাক্না খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেংশিং ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবা তঙাইফদে। দ্রগ স্মগ্লরশিং মুত্থৎনবা হোৎনমিন্নবা চঙই।

হৌজিক ষ্টেটসিদা পাল্লিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্না দ্রগ স্মগ্লরশিং থিংনবা করি থৌরাং লৌখৎলিবগে হায়বসি খন্ননিংঙাই ওই। এয়রপোর্টতগী দ্রগ ফাখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন য়ুনিট (এস আই য়ু) মুত্থৎখি। লৈঙাক অসিনা দ্রগ স্মগ্লরশিং থিংনবগীদমক নীংথিনা থবক পায়খৎপবগী মমি তাদে। ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লবা মতমদা ময়ায় কাবা চীঙাক দ্রগ থিংবগী খোঙজেল য়াঙশিনবা ঙমগনি।

ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা ময়ায় কাবা চীঙাক শীজিন্নবনা খুন্নাইদা পীরকপা চৈথেংশিং ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবগা লোয়ননা ময়ায় কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা লেপমিন্নবা তঙাইফদে। খুন্নাইগী তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা নহাশিংবু তিঞ্জং-কায়জংদনা থম্নবগীদমক ময়ায় কাবা চীঙাক মুত্থৎপা তাই। মীৎয়েং অসিগী মখাদা নহাশিংবু কনসি, দ্রগ স্মগ্লরশিংবু মুত্থৎসি হায়বা পান্দমদা রেল্লি অসি চৎপনি।

কোংগ্রেসকী ৱার্কর কয়ানা ঙরাং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মিতম মৈ থাখিবা অদু য়াম্না লাইবক থিবনি। থৌওং অদু য়াম্না লৈবাকমচা তাদবা, চাউখৎপগী মমি উদবগী থৌওংনি। প্রাইম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা লগাও মৰূ সেট ২২০ ফাগৎখ্রে, দ্রাইভ মখা চত্থখিগনি : এস পি





ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস):

দিৱালিগী মাঙওইননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা চত্থখিবা দ্রাইবতা লগাও মৰূ সেট ২২০, পিস ৩৯ ফাগৎলে। মখা তানা লগাও খাওবা থিংননবা দ্রাইভ চত্থখিগনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস এন হেরোজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি হেরোজিৎনা হায়খি, লাক্লিবা নিংঙোল চাক্কৌবা অমদি দিৱালিগী মাঙওইননা তোঙান-তোঙানবা মফমদা লগাও খাওরম্বশিং থিংনবা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি, এস দি পি ও, ও সী অমদি পুলিস ওফিসারশিং য়াওনা চয়োল ২ রোম চুপ্না চত্থরকপা দ্রাইভতা য়াম্লবা লগাও মৰূশিং অসি ফাগৎখিবনি।

দ্রাইভ অসিদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা লগাও মৰূশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফাগৎপা ঙমখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস টিম অমদি অতৈ পুলিস ষ্টেসনশিংনা লগাও ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বা ঈহৌদা সপ্পোর্ট পীরক্কনি থাজে : এস টি দি সী এম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস):

মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বা ঈহৌদা সপ্পোর্ট পীরক্কনি থাজে হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি ওন সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (সী বি এস টি দি সী এম)গী কনভিনর এম চুড়ামণিনা প্রেসতা থোকপা চেরোলনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী য়েলহৌমী ফুরুপ অমা ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১)গী মখাদা সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা য়াওহন্দুনা তম্পাক্তসু ঙাক্লৌ পীহনবা চঙই। য়েলহৌমীশিংগী মরক্তা ট্রাইবেল অমসুং নন-ট্রাইবেল হায়বা কন্সটিট্যুসনগী খেন্নবা লৈত্রবা অপুনবগী শক্তম চেৎশিন্নবগী মায়ওন্দা লাক্লবগী পান্দমদা এস টি দি সী এমনা চঙশিল্লক্লি। খোঙজং অসি লন্নাই লূপ নৎত্রগা মীয়াম মরক্তগী মশা মশানা উবা, অপাম-পামদা ফোঙদোক্লরি।

খোঙজং অসিগী মতাংদা লোকল মিদিয়া, সোসল মিদিয়ানচিংবদা কন্না নৈনরকপদগী মীয়ামদা ৱাখল তারক্লি। সেপ্টেম্বর ১৮দা মীওই লাখ ১.৫না মীয়ামগী খোঙচৎ অমা মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে। তুংদা য়াম্না থাজদবা মওংদা মণিপুরগী স্কোলর অহুম্না সেন্টর ফোর মণিপুর ষ্টুদিজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পল্লিসর ওইবা *ক্লেমস এন্দ রেফ্যুটেসন্স : কম্পাইলেসন এন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম* হায়বা হোমেন থাংজম, হঞ্জবম সুখদেব শর্ম্মা অমসুং অহৈবম কোইরেং সিংহনা এদিটরশিং ওইবা লাইরিক অমগী লামায় ২২৫তা য়াওখিবা *দিমান্দ ফোর সেদ্যুল ট্রাইব ষ্টেটস ফোর মীতৈ ইজ স্পেয়রহেদেদ বাই দ ইন্দিয়ন ইন্টলিজেন্স এন্দ মিলিটরি হু হেজ টেকন ইন্টু দিয়র ফোল্ডস মণিপুর কোমপ্রেদরস সচ এস দ রিটায়ার্দ আর্মি পার্সনেল* হায়বা ৱাহৈ পরেং অসিগী মতাংদা দেসাম লোয়ননা এস টি দি সী এমনা মিদিয়াগী খুত্থাংদা লাইরিক অসিগী পল্লিসর অমদি এদিটরশিংগী মফমদা শেংদোক ৱারোল পীরক্লবা ৱাফম থমখি। করিগুম্বা শেংদোক্তবা তারবদি মতিক চাবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং অমদি লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবা ৱাফমসু থমখি। এস টি দি সী এমনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা মীওই অহুম্না শাবা ইনক্বাইরি কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিনহনখি।

চহীসিগী সেপ্টেম্বর ২৮দা লোকল মিদিয়া খরদা কোরিজেঞ্জম ফোঙদোরকখি। থা অসিগী ২দা পাউচে খরদা সেন্টর ফোর মণিপুর ষ্টুদিজ, ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# জে এন য়ুগী হোষ্টেলদা মণিপুরী মহৈরোয় অমা শিদুনা লৈরম্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস):

জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি, দিল্লিদা রিসার্ছ তৌরিবা মণিপুরী মহৈরোয় অমা য়ুনিভর্সিটিগী হোষ্টেল মনুংদা ঙরাং শিরগা লৈরম্লে হায়রি।

পুলিসনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মহৈরোয় অদু কা অদুদা মথন্তা ছো লোল্লগা লৈরমই। অতোপ্পা মহৈরোয়শিংনা নমথিবা মনম অমা নমকই হায়দুনা পাউ পীরকপদগী মফমদুদা সিক্যুরিটিগী মীওইশিং চঙশিনখি। সিক্যুরিটিগী মীওইশিংনা থোঙ থুগাইরগা চঙশিন্দুনা য়েংবদা পথা-পুমথরবা হকচাং ওইনা লৈরমখি হায়রি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙ-দোরকপদা, জে আর ফিলোমোন রাজা কৌবা মীওই অদু ব্রহ্মপুত্রা হোষ্টেলগী রুম নম্বর ১৭১দা লৈবনি। ৱেষ্ট এসিয়ান ষ্টদিজদা পিঐচ দি তৌরিবা মীওইনি। চহী ১ রোমগী মমাঙদা মহৈরোয় অদু য়ুনিভর্সিটিদা লাকখিবনি। অশিবা হকচাং অদু এইমসতা থমখ্রে।

মণিপুরগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# ইথিক্স খঙনা থবক তৌবা মথৌ তাই : রাধাকুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬(ঐচ এন এস):

লমদমসিগী মীয়ামদা ঈ-পাউ ফংহনবগী থবক তৌরিবা মিদিয়াগী মীওইশিংনা ইথিক্স খঙনা থবক তৌবা মথৌ তাই হায়না ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (আই পি আর)কী কম্মিস্নার কে রাধাকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।



মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরো (পি আই বি) ইম্ফালনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা রুরেল মিদিয়া ৱার্কশোপতা চীফ গেষ্ট ওইখিবা আই পি আরগী কম্মিস্নার কে রাধাকুমার হায়খি, লৈঙাক্না পায়খৎলিবা ফ্লেগশিপ অমদি অতোপ্পা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোগ্রামশিংগী মরমদা মিদিয়ানা ময়েক শেংনা খঙবা চঙই। মিদিয়া পার্সনশিংনা করিগুম্বা প্রোগ্রামশিং অসিগী মরমদা খঙহনগদৌরিবা ৱাফমশিং অদু ময়েক শেংবা ৱাৎলবদি অরানবা মায়কৈদা চৎখিবসু য়াই। ঈ-পাউগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# সিক্যুরিটি ফোর্সকা খুৎ থোক্লখ্রে হায়না মাওইষ্টনা ক্লেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৬ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক সঞ্জেনবমদা থা অসিগী ২৪ অমদি ২৫গী লোন্নবা অহিংদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুর অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সকী মরক্তা খুৎ থোক্লখ্রে হায়না পার্টি অসিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ক্লেম তৌরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু লূপ অসিনা মাঙজৌননা শেম-শাদুনা অতম্ননা চত্থখিবা লান্দা অমা নত্তে। লূপ অসিগী কমরেদশিং মশা কঞ্জনবগীদমক সিক্যুরিটি পোষ্ট অদুদা লান্দা চত্থরম্বনি। মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী লান্মী শঙলূপ অমা ওইরিবা ন্যু পিপল মিলিসিয়াবু হেন্না অৱাংবা থাক অমদা পুখৎনবা হকথেংননা লমজিংলিবা ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংগা তোঙান তোঙানবা রিজনদা লাঞ্জাবা কাঙলূপ ওইনা লৈরিবশিংগা অপুনবা মীফম অমা পাঙথোকখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীফম লোইরবা মতুংদা মশা মশাগী রিজনদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# এন এস সী এন (আই-এম)গী কেম্পশিং লৈঙাক্না তকথোকপা হৌরগনি: ইবোহলবী

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬(ঐচএনএস):

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টগা শান্তিগী ৱারী শানরিবা এন এস সী এন (আই-এম) গী কেম্পশিং মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা তকথোকপা হৌরগনি হায়না ওইনাম এসেম্বলী কন্সটিট্যুয়েন্সি (এ সী)গী এম এল এ ডো. আই ইবোহলবীনা ফোঙদোকখ্রে।



বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তৌবুল মনিং লৈকায়দা নৌনা শাবা তৌবুল কাদাজিৎ প্রাইমারি স্কুল শঙ্গাবগী ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা এম এল এ ডো. আই ইবোহলবীনা হায়খি, ঐখোয় পুন্নমক্কী মপী মপা ওইরিবা ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টরদা এটেক তৌরকখিবা অদু লৈঙাক্না য়াম্না হকচিন্না লৌই। মণিপুর লৈঙাক্নসু চত্থরকখিবা এটেক অদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি। মীপুম খূদিংমক্নসু সী এমদা এটেক তৌরকখিবা থৌদোক অসিবু কন্দেম তৌবদা নত্তনা থৌওং অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, সেন্টরদা লৈঙাক্লিবা বি জে পিগা মণিপুর থুগাইবা পান্বা এন পি এফকা পুন্না চৎমিন্নরি। করিগুম্বা বি জে পিনা মণিপুর লৈঙাক পায়খ্রবদি চহী কয়াগী মমাংদগী লৈরক্লবা মণিপুরগী লমশিং অসি মচেৎ তানা কায়রগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বিষ্ণুপুরগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

